# এম এস পি দি সি এলনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী রেভিন্যু কল্লেকসন অমদি হাউস মশীংনচিংবা মীয়ামদা খঙহল্লুঃ কঞ্জুমর এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ
মণিপুর ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ইলেক্ট্রিক্ট কঞ্জুমরশিংদগী খোমগৎলিবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অমদি ভিল্লেজ ভিল্লেজগী ওইনা হাউস মশীংগা কোন্ননা মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না ওল মণিপুর পৱার কঞ্জুমরস এসোসিয়েসন্না এম এস পি দি সি এলগী পূক্নিং চিংশিল্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কোন্থৌজম সনাতোম্বনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, চীং দিষ্ট্রিক্টশিংগী কঞ্জুমরশিংনা তম্পাক লমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী হেন্না রেভিন্যু খোমগৎলি অদুগা তম্পাক লমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা কঞ্জুমরশিংনসু চীং দিষ্ট্রিক্টশিংদগী হেন্না রেভিন্যু খোমগৎলি হায়না খন্নরিবা অসি কোকহন্নবা এম এস পি দি সি এলনা তঙাইফদনা অশেংবা অদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

কঞ্জুমরশিংদগী রেভিন্যু মপূং ফানা লাক্তবা, মৈ লৈবা ফংদবা অমদি ফন্দ ৱাৎপা অসিনচিংবগী ৱাফম এম এস পি দি সি এলগী মায়কৈদগী তোয়না পনবগুম তৌবসি পেন্নিংঙাই ওইদে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ইলেক্ট্রিসিটি মরাং কায়না পুথোকপা অমদি অচৌবা প্রোজেক্ট কয়াদগী ষ্টেট অসিদা দরকার ওইবা ইলেক্ট্রিসিটিগী চাং য়ৌনা লৌদুনা কঞ্জুমরশিংদা ফংহনবগী থৌদাং অসি এম এস পি দি সি এলগী মথৌনি। মরম অদুনা অখঙ অহৈশিংনা নীংথিনা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবসু লৈ।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা কঞ্জুমরশিংদা হান্না খঙহনবা তৌদনা মৈ তোয়না মুৎপা অসিনা ইন্দষ্ট্রি মচা মচা তৌজবা, ওনলাইনদা লাইরিক লাইশু খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবা অসিনচিংবা কয়া ফেল ওইহল্লিবা অসিনা কঞ্জুমরশিংদা খুদোংচাদবা হায়বদু থোক্লি। লোয়ননা খোইরাং খোইশাওনহল্লি অমদি এম এস পি দি সি এলদা থম্লম্বা থাজবা মাঙলকপদগী কঞ্জুমরশিংগা লৈনরম্বা মরীদা অকায়বা ওইরকই হায়বসিসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙফম থোকই।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি হান্নদগী পাল্লিবা প্রিপেদ মিটর লৌথোক্লগা স্মার্ট মিটর পানবগী থবক কন্না চখরিবা অসিনি। হান্না পাল্লম্বা প্রিপেদ মিটর অসি কমপ্লেইন লৈতবা চৎনবা য়ারিবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা প্রিপেদ মিটর অসি লৌথোক্লগা স্মার্ট মিটরশিং শিন্নবা হোৎনরকপা অসি ষ্টেট অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা ৱাথোক ওইনরিবনি।

টামিলনাদুনচিংবা ষ্টেট খরদদি লৈঙাক্লা স্মার্ট মিটর শীজিন্নরোই হায়না ফাওবা লাওথোকখিবা য়াওখ্রে। অদুগা য়ুনিয়ন পৱার মিনিষ্টরনসু পার্লিয়ামেন্টতা স্মার্ট মিটর পানবসি মেন্দোটোরি নত্তে ভোলুন্টরিনি অদুনা ফোর্স তৌরোইদবনি হায়খ্রবনি। অদুবু মণিপুরদদি স্মার্ট মিটর পানবদা ওবজেক্সন তৌরবদি মৈ কক্কনি। অমুক কনেক্সন তৌবদা খুদোংচারোই পৈশা য়ান্না চঙগনি হায়বনচিংবা কিহল্লিবসি মরম চাদে।

অনৌবা স্মার্ট মিটরনা হান্না পাল্লম্বা প্রিপেদ মিটরদগী হেন্না ফবা নুংঙাইবা অমদি খোঙজেল চুম্বনি হায়রিবসিসু কঞ্জুমরশিংদা অমদি মীয়ামদা হেন্না মমুৎ তানা নীংথিনা খঙহনফম থোকই। নম্ফুদা হেক্তা পানশিন্নবা হোৎনবসি কঞ্জুমরশিংগী হক মৎপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা মিটর পান্দবা কঞ্জুমর মশীং কয়া লৈরি, লম শমদা রেভিন্যু লৌরিবা কঞ্জুমরশিংগী মিটর পান্নবা হোৎনবগী মহুত্তা হান্না প্রিপেদ মিটর পান্দুনা লৈরবা কঞ্জুমরশিংদগী মিটর অদু লৌথোক্লগা স্মার্ট মিটর নমদুনা পানশিন্নবা হোৎনবা অসিসু মরী লৈনবশিংনা কূপ্না য়েংশিনফম থোকই। পার কেপিটা ইনকম খ্বাইদগী নেম্বা ষ্টেট অসিদা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লদুনা চরা নাম্মতা চাবগী ফিভমদা লৈরবা মতম অসিদা অমুক হন্না পৈশা চৎহন্নবা থবক তৌরোইদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং হায়বদি টামিল নাদু, পঞ্জাব, দিল্লি, ৱেষ্ট বেঙ্গোলনচিংবদা মৈ য়ুনিট চনি নৎত্রগা চহুম কঞ্জুমরশিংদা লেন্না পীরি। কঞ্জুমরশিংগী অপেনবদা লৈঙাক্লা থবক তৌরি। অদুবু মণিপুরদদি মসিগী ওন্ন–তৈনবদা কঞ্জুমরশিংগা মতম চূপ্পদা অফবা মরী লৈতবা, মরম চাবদা কঞ্জুমরশিংগী পেন্নবা থবক তৌদবা হায়বসি মমৈথংদা অমাঙবা কয়া লাক্তুনা অৱাবা মায়োক্লরক্কনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা অমদি ইলেক্ট্রিসিটি রিগুলেটরি কম্মিসনগী মীৎয়েং অথুবদা চঙবা চুমগনি।

মরক অসিদা এম এস পি দি সি এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনা থোকখিবা পব্লিক নোটিস অমদা হায় ইনর্জি – ইন্টেন্সিভ মিনিং রিক্সিং ইলেক্ট্রিসিটি কনেক্সন রেজিষ্টার তৌদনা অমসুং অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা লৈবা থেংনরে। মসিনা মরম ওইরগা পৱার ষ্টেবিলিটি ফংহন্দ্রে, ট্রান্সফোর্মর ওভরলোদ ওইবা অমদি মৈ মুৎপা য়াওনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা মৈগী ফিভম ফগৎনবা অমদি খুমাঙ চাউশিন্নবা চৎন–কাঙলোন চুন্না চৎপিয়ু হায়রি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## য়োৎপী মখুল

য়াম্লা শাওগনবা নুপা মচা অমা লৈরম্মী, করিসু নত্তবদসু পঙশাওদা শাওবা। মহাক্কী মপানা মহাক্কী মওং মতৌ অদুগী মতাংদা মুন্না খল্লগা মঙোন্দা য়োৎপী খরগা নুঙথং অমগা পীরম্মী অদুগা হায়রম্মী, ''ইবুঙো, নঙনা হেক হেক শাওবা খুদিংগী ঐখোয়গী শঙ্গৈইদা খারিবা ফক্লাংগী উপাক অসিদা য়োৎপী অসি অমমম য়ৈশিল্লু।।''

মপাগী পাখোল অদুদা মচা নুপা অদু ঙকপা অমা ফাওরম্মী। অদুবু করি মরমগীনো খঙদনা মপানা হায়বদুমক তৌরম্মী। অহানবা হৌবা নুমিৎ অদুমক্তদা য়োৎপী কুন য়ৈশিল্লম্মী। অসুম্না নোংমনা য়োৎপী তরা মঙা য়ৈশিনবা, নোংমনা য়োৎপী কুন মঙা য়ৈশিনবা, নোংমদা য়োৎপী তরাখক্তা য়ৈশিনবা য়াওরম্মী। মমৈ থংদদি য়োৎপী ময়াম অদু উরগা মদু মহাক্কী শাওবগী মশীংনি খল্লুরগা শাওবা লাকশিন্নবা হোৎনরগে লেপ্লে। অসুম্না পূক্নিং ফাথবদগী নোংমদা অমুক্তা শাওদবা নুমিৎ য়াওরক্লে। নুপা মচা অদুগী মপূক্নিংদা নুংঙাইবা অমসুং চাওথোকচবা অমগা লোয়ননা ৱাফম অদু মপাদা হরাওনা তল্লম্মী। মপা অদুনা খুদক্তা মচা অদুগা লোয়ননা য়োৎপী থারিবা উপাকশিং অদু হরাওনা য়েংমিন্নরগা হায়রকই, ''নহাক্লা শাওবা লাককিশনবা ঙম্বা অসিদা ইপা য়াম্লা নুংঙাইরে। হৌজিক নহাক ৱারবসু ৱানা য়োৎপীশিং অসি শৎতোক্লো।'' মপাগী ৱাদু ইন্দুনা নুপা মচা অদুনা প্লাস অমা পায়দুনা য়োৎপীশিং অদু মথং মথং লোয়নমক শৎতোক্লম্মী। অদুগা মপাদা শিন্নরম্মী। মপানা মচা নুপা অদু পুরগা য়োৎপী শৎখ্রবা উপাক অদুগী মনাক্তা লাক্লম্মী।

য়োৎপী মখুলশিং অদুদা খুদোম্বীনা থিল্লগা মপা অদুনা হায়রক্লম্মী, ''য়েংউ, নহাক্লা শাওবা খূদিংগী থাখিবা য়োৎপীশিং অদু নহাক্লা শাওবা ফরবা মতুংদা লোয়নমক শৎতোক্লে। অদুবু নহাক্লা থাখিবা য়োৎপী মখুলশিং অসিদি লোয়না লৈহৌরে। মসিনি শাওবগী মাঙজবসি। নহাক্লা শাওরিঙৈদা তৌখিবা, ঙাঙ–শকখিবশিং অদু নহাক্তি শাওবা ফরবা মতমদা কাওখিবা য়াই অদু কনা কনাগুম্বগী থম্মোয়দদি শোক্তুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মদু নহাক্লা ফনা য়াম্লা লাল্লে হায়জরবা ফাওবদা হন্দোকপা য়াদবা ফিভম ফাওবা য়াওরক্তবা নত্তে। মসিনি শাওবগী মাঙজবা।''

## 'হকচাং ফনা লৈসি, অঙাংশিংসু হকচাং ফনা থমসি'




মোইরাং, ওক্টোর ০৪ (এস এন এস)ঃ হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফিভমনা অৱা চৈথেং মায়োক্লরিবা মতম অসিদা তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয় হকচাং ফনা লৈতবা য়াদে। হৌরক্লিবা অঙাংশিংসু হকচাং ফনা থমগদবনি হায়না ২০২৭ কী জেনরেল ইলেক্সনদা মোইরাং এ সিগী মীরেপ ওইনবা শেম শারিবা জুনস খাননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱি সপোর্ট জুনস খান টিম্না শীন্দুনা মোইরাং এ সিগী ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল গী মনুং চন্না লৈবা এম এস ক্রিয়েটিভ স্কুল ক্বাক্তাদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ফ্রি মেদিকেল কেম্পকা মরী লৈননা জুনস খান্না মখা তানা হায়, মেদিকেল কেম্প অসি ঙসিগা থারগা অনীরক শুবা ওইনা পাঙথোকপনি।

মখা তানা মোইরাং এ সিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবা শেম শারি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তঙদু লৈতাদ্রবা ফিভম অসিদা মীয়ান্না হিরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরি। কনাগুম্বা অৱাবা ইমুং অমগী মীওই অমা নারকপা মতমদা শেলগী ফিভম চাদবনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎলবসু মতিক চাবা খূৎলাই নৎত্রগা স্পিসিয়েলিষ্ট ডোক্তর লৈতবনা অনাবগী ইমুং মনুং অমদি নারিবা মীওই অদুগী পূক্নিং ৱাখলদা নুংঙাইতবা পোকহল্লি। মসিগী মথক্তা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা তারগনা শেল লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অসি তোয়না তৌদুনা কা হেন্না নাদ্রিঙৈদা হকচাং চেকঅপ তৌথোকপা নৎত্রগা হৌজিক হৌজিক নাদুনা হোস্পিটালদা চৎপা ঙমদ্রবসু ঙসিগী ফ্রি মেদিকেল কেম্প অসিদা পুরক্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা অসি মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবনি। খুঙ্গংগী মীয়ামদা থেংনরিবা অনা লায়েংগী খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোক্লবগী পান্দমদা ফ্রি মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

ঙসিগী ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা ক্বাক্তা অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীওই ৮০০ রোম য়েংখি। জে আর হোস্পিটাল টেলিপটি ইম্ফালগী ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিংগা লোয়ননা এক্সেল দাইগ্নোষ্টিক হব্বা ইম্ফালগী ষ্টাফশিং লাক্তুনা সর্জরি, ওর্থো, জেনরেল মেদিসিন, দাইবেটিক, গাইনি, দেন্টেল, ওপটোমেত্রিক, পেদিয়াট্রিক অমসুং ই এন টিগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখি। লোয়ননা হিদাক লাংথক কয়াসু মীয়ামদা লেন্না ফংহনখি।

## ষ্টেট লেভেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ মহৈরোইশিংগী ৱাখল লৌশিং অমদি মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উথোক্লবা তাঞ্জা অমা পীদুনা মালেমগী থাক্তা মহৈগী পুক্কৈদা হিদান্নবগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙমহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপোক (সুক)না শীন্দুনা ১২ রক শুবা ষ্টেট লেভেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী স্পেল্লিং কম্পিটিসন অদুগা মরী লৈননা কম্পিটিসন অসিগী মোবিলাইজেসন সব কম্মিটিগী কনভেনর রঞ্জিৎ খুমন্না হায়, চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কম্পিটিসন অসিদা কেটেগোরি অনী থোক্লা ক্লাস ফাইভতগী সভেন ফাওবা অমদি ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবা ইম্ফালগীনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা, ককচিং অমদি থৌবালগী ওইনা স্লোপলেন পব্লিক স্কুল খোংজোমদা অমদি বিষ্ণুপুরগী ওইনা নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অসিদা চাওরাক্লা মহৈরোই লিশিং ৩ হেনবনা শরুক য়াখি।

কম্পিটিসন অসিগী অহানবা প্রিলিমিনরি রাউন্দদা খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা চৎলিবা থা অসিগী ১১ দা অনীশুবা রাউন্দ অদুগা থা অসিগী ১৭ তা ফাইনেল পাঙথোক্কদৌরিবনি। কম্পিটিসন অসিদা অহানবা তাবা মহৈরোইদা লুপা লিশিং ২০, অনীশুবা তাবা মহৈরোইদা লুপা লিশিং ১৫ অমদি অহুমশুবদা লুপা লিশিং ১০গী মনা ওইনা থল্লি হায়খি।

## চাইল্ড প্রোটেক্সনগী এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ
সেৱা সনকল্প অভিয়ান ২০২৬ কী মনুং চন্না দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়ারগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সি পি য়ু) কাংপোকপিনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী আইলেন্দ সব দিভিজনগী মনুং চনবা ফুনাল মরিং কম্ম্যুনিটি হোলদা চাইল্ড প্রোটেক্সনগী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চাইল্ড প্রোটেক্সন মেকানিজম, চাইল্ড মেরিএজ, চাইল্ড লেবর, চাইল্ড ট্রাফিক্কিং, এব্যুজ অমদি এক্সপ্লোইটেসন অমসুং থৌদোক অসিগী মতাংদা মতম চানা রিপোর্ট তৌবগী তঙাইফদবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংগী ৱারোল থমখি।

থৌরম অদুদা কাংপোকপিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার রিনা চনু মোইরাংথেম, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার আই সি দি এস কাংপোকপি এন লৈমতোম্বী অমদি খুল অসিগী সেক্রেটরী টিঐচ য়াইমা মরিংনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী হক, দিগ্নিটি অমদি মখোয়বু য়াইফনা থম্বা অমসুং চাইল্ড ফ্রেন্দলি ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা শেন্নবা থৌদাং লৌনবসু য়ানখি।

## লাইওন দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর নীনা গুপ্তা ওকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ লাইওন্স ইন্টরনেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দি গী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর পি এম জে এফ ডা. নীনা গুপ্তা নোংমগী ওফিসিয়েল খোঙচৎতা ঙসি থৌবালদা লাকপগা লোয়ননা থৌবাল অমসুং ককচিংগী লাইওন্স ক্লবশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

ডা নীনা গুপ্তগী ওফিসিয়েল খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবাল, লাইওন্স ক্লব ওফ গ্রেটর থৌবাল সেঞ্চুরিয়ান্স, লাইওন্স ক্লব ওফ ককচিং অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ ককচিং সুগনুনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবালগী প্রসিদেন্ট লাইওন টিঐচ কোমোল সিংহ, রিজনেল চিয়ারপার্সন লাইওন এন কুঞ্জেশ্বর সিংহ, জোন চিয়ারপার্সন ৱাই গুনমনি দেবী অমসুং ককচিং সুগনু লাইওন্স ক্লবকী ফাষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট টিঐচ নব সিংহসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা থৌবাল অমসুং ককচিং লাইওন্স ক্লবকী সেক্রেটরীশিংনা মাগী মাগী রিপোর্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরদা পাউদমখি লোয়ননা লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা পেন্টিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

## কোদোমপোকপী আই দি পিশিংদা তেঙবাংখ্রে




থৌবাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ
লিগ ওফ কেল্লো প্রেট্রিওটস ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা অৱা অনাশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কোদোমপোকপি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা আই দি পিশিংদা নোংমদা চঙবা চান–থক্লবা পোৎলম কয়া তেঙবাংখ্রে।

লিগ ওফ কেল্লো পেট্রিওটসকী থৌমী কয়া শরুক য়াদুনা চৎখিবা তেঙবাং খোঙচৎ অদুনা চেঙ, চিনি, হৱাই, থাও, থুম য়াওনা পোৎলম কয়া কোদোমপোকপি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংদা খূৎশিন্নখি। খোঙচৎ অদুনা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা রিলিফ কেম্পকী আই দি পিশিংদসু তেঙবাংখি।

তেঙবাং খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা লিগ ওফ কেল্লো প্রেটিওটসকী এক্স সেক্রেটরী অথোকপম হেমচন্দ্রনা হায়, হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকপা কেম্পশিংদা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা পাংবিরকখিবা শেলগী মতেং অমদি পোৎলম কয়া অসি অৱা অনাশিংদা মতেং পাংলসি হায়বা ক্লবকী ফিরেপ অমগী মতুং ইন্না ঙসিগী পোৎলমশিং অসি তেঙবাংবনি। হৌখিবা ২০২৩গী ইরাংদগী রিলিফ কেম্প কয়াদা কোয়না চত্তুনা অঙম্বা মতেং কয়াসু পাংখ্রে। মখা তানসু আই দি পিশিংগী ওইনা অমদি অৱা অনা তারক্লবশিংদা ঙল্লিবমখৈ তেঙবাংবগী থবক চত্থখিগনি হায়খি।

## লাংবন হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে

শিলোং, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ
মেঘলয়াগী শিলোংদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবা থৌগল্লুপ অমদি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ ইম্ফালগা খূৎশন্নদুনা লাংবনগী ২৩–২৪ পানবা ঙসি মণিপুর হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইবুধৌ শঙলেনদা লাংবন চারা লূকলেন হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

শিলোং অমদি অকোয়বদা লৈবা সলাইচা ২৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা হৈকৎ–লৈকৎ তম্মিন্নদুনা চরা লুকলেন তম্মিন্নখ্রে। লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মায়কৈদগী অমাইবা শঙলাকপা সলাম মনিনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা থৌরম অসি মায় পাক্লা পাঙথোকখি হায়রি।

## মহৈরোইশিংদা এৱার্নেস পীবা অবোক্কী শিংজু উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোর ০৪ (এসএনএস)ঃ
মহৈরোইশিংদা এৱার্নেস পীবা 'অবোক্কী শিংজু' হায়না মিংথোনবা মিনিট ৫৮ শাংবা ফিল্মগী প্রেমিয়ার শো পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী মেন ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ ওইরম্বা ওক্রম হেনরি, এস এল এরেনা ওফ লার্নিংগী ফাউন্দর সকুন্তলা মৈত্রম অমদি এস এল এরেনা ওফ লার্নিংগী হেদ মিষ্ট্রেস সসিকালা মৈত্রমনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এক্স এম এল এ ওক্রম হেনরিনা হায়, মমাংঙৈগী নহাশিংগা হৌজিক মতমগী নহাশিংগা খেন্নবা খরদি অদুমক লাক্লে। মতম অমদদি নহা ওইবশিংনা মখোয়গী অপাম্বা ৱাখল্লোন অদু মনিং তম্না ফোঙদোকপা ঙমদবগী মওং অমা উরম্মী। অদুবু হৌজিক্কী নহাশিংদি মখোয় মখোয়না পাল্লিবা অমদি অনীংবশিং ফোঙদোক্লরে। মসিনা অমগা অমগগী ৱাখল্লোন খঙনদুনা ঈ–পাও ফাওনবা ঙল্লগনি। অবোক্কী শিংজু হায়রিবা সোর্ট ফিল্ম অসিনা কলচর য়োকখৎপদা নত্তনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংসু প্রমোট তৌবগা লোয়ননা নহাশিংবু ৱাখল তাহন্দুনা অফবা লম্বীদা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

প্রেমিয়র স্ক্রিনিং অদুগা মরী লৈননা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর নাওতোন্না হায়, সোর্ট ফিল্ম অসি মহৈরোইশিংনা এক্ট তৌবা অশেংবা আর্টিষ্ট অমত্তা য়াওদবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা মহৈরোইশিংনা লাইরিক তন্না তন্না মখোয়না পাল্লিবা অমদি খল্লিবা ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোকফম লৈতবদগী স্কুলগী ৱাংমদা শিংজু য়োনবী অবোক অমদা মখোয়গী থম্মোয়গী ৱারী লিথোক্তুনা অবোক অদুগী পাউতাক লৌবগী সোর্ট ফিল্ম অমনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মহৈরোই কয়া শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ফিল্মদা পূক্নিং লুপচবা মীওই কয়াসু অবোক্কী শিংজুগী ফিল্মনা পূক্নিং চিংশিনখি।



SL/Sush/08-07 Oct

## অৱাবা ফোঙদোকপা



Govt. Hindi Teachers' Training College Alumni Association, Imphal গী Member ওইরম্বা Khurai Konsam Leikai, Imphal দগী Haorungbam Tombapu না September 28, 2026 নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈখিদবদা Association অসিনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

Sd/-
Dr. Waikhom Chingkheinganba
General Secretary
Hindi Teachers' Training College
Alumni Association

SL/Ath/05

SPACE COACHING CENTRE
- SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- SOCIAL SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- HINDI TUITIONS CLASSES & SPOKEN COURSE

IK BOYS HOSTEL
- NEAT AND CLEAN ROOMS
- PEACEFUL SURROUNDINGS
- HOMELY FOOD

CONTACT - KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI
7005285138 / 9615455360

SL/Sush/17 July-Jan-16

APOLLO ACADEMY
Kwakeithel, Akham Leikai, Near AMUCO Office
8258013846
REGISTRATION OPEN
for
CLASS 10 & 12/SC REVISION COURSE
Course Starting (Tentative): 30th Oct '26

| Category | Board | Subjects |
|---|---|---|
| Category (A): | COHSEM (class 12sc) | Eng, Phy, Chem, Bio, Maths & MM |
| Category (B): | BOSEM (class 10) | Eng, MM, Sc, Maths & S Sc |

Registration going on for CUET(UG)-27
TARGET: 100% pass percentage along with A+, A, B+ & B
★★ RESIDENTIAL FACILITIES AVAILABLE (BOYS & GIRLS) ★★
COURSE DURATION: 75 days
For Early Bird offer of 20%, please do enrol before 20th Oct '26
FOR REGISTRATION: Please visit Apollo Office (6AM – 9AM & 2PM – 6PM)
APOLLO ACADEMY – COMMITTED TO EXCELLENCE

SL/Sush/3,5,7,11,22



# ওপরেসন সিন্দুরগী মতুং ইন্দিয়াগী অনৌবা ন্যুক্লিয়ার আর্সিনেল ১৬০ হেনগৎখ্রে অহেনবা মিসাইল ৱারহেদ ৩০ হৌজিকসু শেম শাবগী থবক চখরি ঃ রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ান দিফেন্সনা ওপরেসন সিন্দর হায়না মিংথোন্দুনা মায় পাক্লা ওপরেসন চথখ্রবা মতুং ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়র আর্সনেল ১৬০গী মশীং হেনগৎখ্রে। অসিদা নত্তনা মিসাইল ৱারহেদ ৩০সু শেম শাবগী থবক চথরি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা বেজ তৌবা নন-প্রোফিট পোলিসি থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

অমেরিকাগী ফেদরেসন ওফ অমেরিকান সাইন্টিষ্ট (এফ এ এস)না তৌরকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা ছোর্স, সেটলাইট ইমাজিনরি অমসুং লৈঙাক্কী কন্ফিদেন্সিয়েল ওইবা দটাশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা য়েক্লবা লৈবাকশিংগী মথক্তা মায় পাক্লা ওপরেসন চঙশিন্নবগীদমক ওপরেসন সিন্দর লোয়শিনখ্রবা মতুং চহী ১ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্দিয়াগী ওইনা ন্যুক্লিয়র আর্সনেল ১৬০ মায় পাক্লা প্রদক্সন তৌদুনা লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী মপাঙ্গল হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক হেনগৎখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়া ন্যুক্লিয়ার ৱেপন ২০২৬ হায়না মিংথোন্দুনা এফ এ এসকী ন্যুক্লিয়ার ইনফোর্মেসন প্রোজেক্ট দাইরেক্তর হন্স কৃষ্টেন্সেননা রিপোর্ট তৌরকখিবনি। হৌখিবা চহী ১৯৯৮তা মতমদুগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পোখ্রানদা অনীরকশুবা ওইনা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা য়েক্লবা লৈবাকশিংগী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার হান্না শীজিন্নদনবগী পোলিসি অমসু চৎনদুনা লৈরি। অসিদা নত্তনা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মকোকথোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়েক্লবা লৈবাকশিংগা ঙাইহাক্কী ওইবা মুক্লবগী থৌদোক ৱাথোকশিংদা অহেনবা অকনবা এক্সন লৌখত্তবা হায়বসি চৎনদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা বেজ তৌবা রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মতমগী মতুং ইন্না লেপ্পা লৈতনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেলশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অসিদা নত্তনা লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা অনৌবা মখলগী ৱেপন সিষ্টেম কয়া তোঙান তোঙানবা ফিল্ডদা ইন্সটোল তৌদুনা থমখিবগী থবকসু চত্থিবা লৈখ্রে।



ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার গী মপাঙ্গল য়াওবা এয়রক্রাফ্টনচিংবা ৱেপন সিষ্টেমশিং অসি লেন্দ বেজ দিলিভরি সিষ্টেম অমসুং সি বেজ সিষ্টেমদা মতমগা চুননা দিভলপ তৌনবা লেপ্তনা হোৎনবা কয়াসু থেংনরি।

য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিলিটরি প্লুটোনিয়ম ১৪০দগী ২২৫ ফাওবা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ মায় পাক্লা পুথোক্তুনা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেল ১৯০ য়াম্না লায়না এসেম্বল তৌরম্লগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা ৱেপন সিষ্টেমশিং অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা মশীং য়াম্লবা ৱারহেদ কয়া নৌনা শাদুনা পৈদুনা থম্বগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না মখা তানা শাননবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকখিগনি।

চৎলিবা চহী ২০২৬কী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱেপন-গ্রেদ প্লুতোনিয়ম ৭৩০ কে জি পুথোকখিবগী রিপোর্ট কয়াসু লৈরি। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক য়াম্না লায়না ন্যুক্লিয়ার ৱারদে ১৪০দগী ২২৫ ফাওবা পুথোক্লম্লগনি হায়বা অসিনি। অদুবু হৌখিবা তাঙ্কক কয়াদা ইন্দিয়ানা ৱারহেদ কয়া দিজাইন তৌবদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা য়েংলুরগদি ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ১৪০দগী ২২৫ ফাওবা পুথোক্লম্লগনি হায়না থাজবা থল্লিবা মশীং অসিদা খেন্নবা কয়া লৈরম্বদি য়াই।

হৌখিবা চহী ১৯৯৮তা ইন্দিয়ানা পাঙথোকখিবা ন্যুক্লিয়ারগী চাংয়েং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগদি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চহী খরা অসিদা ফিজন অমসুং থার্মোন্যুক্লিয়ার ৱেপনশিং দিজাইন তৌবগী থবক্তা খুমাঙ য়াংশিন্না মায় পাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা চহী ১ অসিদা ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেল কয়া মায় পাক্লা পুথোক্লম্লগনি হায়বা অসিদা করিসু চিং নিঙাই লৈতে হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

ফেদরেসন ওফ অমেরিকান সাইন্টিষ্ট (এফ এ এস)কী ন্যুক্লিয়ার ইনফোর্মেসন প্রোজেক্ট দাইরেক্তর হন্স প্রিন্সেন্টেন্সনা তোঙান তোঙানবা দাটাশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা তৌরক্লিবা ‘ইন্দিয়া ন্যুক্লিয়ার ৱেপন ২০২৬’ হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, ৱারহেদ দিজাইন তৌবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী লৈরিবা কেপাবিলিটি অদুদা য়ূম্ফম ওইদ্রবসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লানদা শীজিন্ননবা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেল কয়া নৌনা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লৈবাক অসিনা লৈরিবা প্লুটোনিয়ম পূম্বা শীজিন্নরম্লগনি হায়বা অসিদি ওইথোক্তবা ৱাফম অমনি। হৌজিক হৌজিকসু ইন্দিয়ানা প্লুটোনিয়ম কয়া রিজার্ভ তৌদুনা থম্লমগনি হায়বা অসি চাউনা থাজবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার ষ্টোকপাইল অসি ন্যুক্লিয়ার লোঞ্চ তৌদুনা দিলিভর তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল অমদি মশিংদসু য়ূম্ফম ওই। মরমদি হায়রিবা ইন্দিয়ানা শেমগৎ শাগৎলিবা মশীং য়াম্লবা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেলশিং অসি য়েক্লবা লৈবাকশিংগী মথক্তা খূদক্তা এটেক্ট চথনবগী পান্দমদা শেমগৎ শাগৎপা নত্তে। য়েক্লবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াগী মথক্তা লান্দারকপা মতমদা মথৌ তাবা অদুগী মতুং ইন্না য়েক্লবা লৈবাক অদুগী মথক্তা খূৎ হন্নবগী পান্দমদা নৌনা ন্যুক্লিয়ার আর্সনেলশিং অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

# মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ৫দা ই সিগী টিম চত্তুনা মীখল পাঙথোক্লবগী লৌখৎলিবা থবক থৌওংশিং য়েংশিনগদৌরি




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
লাক্লিবা থা খরা অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিং য়েংশিনবগী থবক লাক্লিবা চয়োল অসিদগী হৌরগনি হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিস্নরনা লুচিংবা সেনিয়র ইলেক্সন কম্মিসন ওফিসিয়েলশিং লাক্লিবা চয়োল অসিদগী হৌদুনা ষ্টেট ৫দা মীখল পাঙথোক্লবা লৌখৎলিবা শেম শাবগী থবক অসি য়েংশিল্লগনি হায়রি।

দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিস্নরনা লুচিংবা সেনিয়র ইলেক্সন কম্মিসন ওফিসিয়েলশিংগী ওইবা টিম অসিনা লাক্লিবা চয়োল অসিদা গোৱাদা চত্তুনা মফম অসিদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৌখৎলিবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং য়েংশিনগদৌরি। মসিগী মতুং উত্তরখন্দ, পঞ্জাব অমসুং মণিপুরদা হায়রিবা সেনিয়র ইলেক্সন কম্মিসনগী টিম অসিনা ষ্টেটশিং অসিদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী শেম শাবগী থবক লৌখৎলিবা অসিগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিনগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, কম্মিসন অসিগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর অমসুং অতোপ্পা ইলেক্সন কম্মিস্নরশিং মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেটশিংদা চত্তুনা ইলেক্সনগী মতম লাউথোকপগী চৎনবী মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাকখিবনি। মেম্বর ৪০৩ লৈবা উত্তর প্রদেশ এসেম্লিগী মতম লাক্লিবা মথং চহীগী মে ২২দা লোয়রগনি। অদুগা মেম্বর ৬০ লৈবা মণিপুর এসেম্লি, মেম্বর ৪০ লৈবা গোৱা এসেম্লি, মেম্বর ১১৭ লৈবা পঞ্জাব এসেম্লি অমসুং মেম্বর ৭০ লৈবা উত্তরখান্দ এসেম্লিশিংগী মতম লাক্লিবা চহী ২০২৭গী মার্চথাগী তোঙান তোঙানবা তারিখশিংদা লোয়শিনগনি হায়রি।

# জয়সঙ্করনা য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দর পাপারো উনদুনা সেক্যুরিটি ১সুং মেরিটাইম কোওপরেসনগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পেসিফিক কম্মান্দগী কম্মান্দর এদমিরেল সেমুয়েল জে পাপারোগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উনদুনা লৈবাক অসিগী মরক্তা লৈরিবা সেক্যুরিটি পার্টনরসিপ অমসুং মেরিটাইম কোওপরেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানদুনা খন্নখ্রে।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দ, এদমিরেল সেমুয়েল জে পাপারোগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ৱারী শানবা অদুদা সেক্যুরিটি পার্টনরসিপ অমসুং ইন্দো পেসিফিকতা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মেরিটাইম কোওপরেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি হায়না ফোঙদোরক্লি।



পনবা য়াবদি, এদমিরেল সেমুয়েল জে পাপারো য়ু এস অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা দিফেন্সকী পার্টনরসিপ অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ৬নিগী খোঙচত্তা ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবনি।

নুমিৎ ৬নিগী ওইবা এদমিরেল পাপারোগী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা দিজিটেল ট্রান্সফোর্মেসন, টেক্নোলোজি, রিজনেল ষ্ট্রেতেজিক ষ্টেবিলিটি, দিফেন্স ইনর্জি রিসিলিয়ন্স য়াওনা সেক্যুরিটিগী মতাংদা লৈরিবা পার্টনরসিপকী মরী অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসিনা খঙহল্লকখিবসু লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, সেপ্টেম্বর ২৮দা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল ধিরাজ সেদ অমসুং দিপ্যুতি কম্মান্দিং জেনরেল ওফ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পেসিফিক লেফটিনেন্ট জেনরেল জেয়েল বিগসু উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈখ্রবনি।



## Crossword # 1161

Across
1. Lose strength
5. Like cities
10. Margot Fonteyn's title
14. Doozie
15. Not a single person
16. NYSE rival
17. Shows curiosity
18. What happened
19. Lavish affection
20. Determined words
23. Middy's assent
24. Always, to poets
25. Hunt, as through junk
30. Blockheads
35. Sedan, e.g.
36. Boorish type
38. "Somewhere in Time" costar
39. Determined words
43. Complete
44. Fairway cry
45. Pound sound
46. Have trouble deciding
48. Navigating tools
51. Apple product
53. Smoke solids
54. Determined words
63. Like a shouter
64. Habituate
65. Lincoln who played Tarzan
66. Golden Fleece craft
67. First name in gymnastics
68. No longer waiting for the doctor
69. Keg contents
70. Villain's expression
71. Lift off the grill, as a hot dog

Down
1. Blemish
2. Big drinker
3. __-Seltzer
4. Composer Mahler
5. Irregular way to be divided
6. Gad about
7. 1899-1902 war participant
8. Musical with the song "Little Girls"
9. Took home
10. Arp works
11. Wildly
12. Distribute, with "out"
13. Old flames
21. Storm center
22. Cape Cod town
25. Macbeth's subjects
26. Hiawatha's transport
27. Mountain cat's perch
28. Pull a boner
29. Continental currency
31. Shea player
32. "Borstal Boy" author Brendan
33. Not hidden
34. Feudal workers
37. Weigh station factor
40. "What __ I thinking?"
41. Memorable mission
42. Part of a disappointed fan's mantra
47. Stirs
49. Middle X, in a game
50. Nab
52. O'Brien of late-night TV
54. Play the stoolie
55. Yesteryear
56. Extra large
57. Floral emanation
58. Discourteous
59. Soft cheese
60. Soft spread
61. Tarot card, supposedly
62. Skull Island monster of filmdom

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# শ্রীলঙ্কাগী নেভিনা দেলফর্ট ঈথৎ মনাক্তা ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ ফাদুনা ত্রোলর সিজ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী ঙমখৈ পরিং লানশিন্দুনা ঙা ফারুবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ শ্রীলঙ্কাগী নেভিনা ফাবগা লোয়ননা ত্রোলর অমসু সিজ তৌখ্রে।

শ্রীলঙ্কাগী নেভিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম বাউন্দরি লাইন লানশিন্দুনা শ্রীলঙ্কাগী লৈরিবা দেলফর্ট ঈথৎকী জাফনাদা ঙা ফারম্বগী মরালদা হায়রিবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ অদু ফাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।



শ্রীলঙ্কা নেভিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ অদুনা ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম বাউন্দরি লানশিন্দুনা শ্রীলঙ্কাগী ঈথৎতা ঙা ফাবদা শীজিন্নরম্বা ত্রোলর অমসু সিজ তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম বাউন্দরি লাইন লানশিন্দুনা ঙা ফারম্বগী মরালদা ফারবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ অদু কানকেসানথুরাই হার্বরদা পুরবা মতুং দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসরি অমসুং এক্বাটিক রিছোর্সতা শীন্নদুনা মখোয়গী মথক্তা লিগেল প্রোসিদিং চথরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমদি শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা পাল্কষ্ট্রেটতা ঙা ফাবগী মতাংদা মতম শাংনা উংখৎনদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা আইন কায়না ঙা ফারম্বগীদমক শ্রীলঙ্কাগী নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী ৯ ফাখিবনি।

তাঙ্কক কয়ারক্তা ইন্দিয়াগী ঙামী কয়ানা শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী ঙমখৈ পরিং আইন কায়না চঙশিন্দুনা ঙা ফাবগী থবক চথরিঙৈ শ্রীলঙ্কাগী নেভি পার্সনেলশিংনা তাঙ্কক কয়ারক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা তাল্লকপদা নত্তনা ঙা ফাবদা শীজিন্নরম্বা হি কয়াসু সিজ তৌখিবা লৈখ্রে।

পাল্কষ্ট্রেট হায়রিবা ঈশিংগী অখুবা পরিং অসি শ্রীলঙ্কা অমদি টামিলনাদুগী মরক্তা লৈবা ঈশিং পরিং অমনি। ঈশিং পরিং অসিদা ঙা মরাং কায়না লৈবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি শ্রীলঙ্কাগী লৈরিবা ঙামীশিংনা খ্বায়দগী পান্না ঙা ফাবগী থবক চথবা ঈশিং পরিং অমসু ওইরিবনি হায়রি।

# খন-খন্দুনা ভোটর লিষ্টতগী ভোটর কয়া লৌথোক্লবা এস আই আর পাঙথোকপনি ঃ সচিন পাইলোট

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেশ কুমারনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিসনগী নীংতম্বা কায়হল্লে। অসিদা নত্তনা জ্ঞানেশ কুমারগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) অসি খন খন্দুনা ভোটর কয়াবু ইলেক্তোরেল রোলদগী লৌথোকপা য়ানবা পাঙথোকপনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লীদর সচিন পাইলোটনা ফোঙদোকখ্রে।



পাউমীশিংগা উনবদা সচিন পাইলোটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

উনবা অদুদা সচিন পাইলোটনা হায়, চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেশ কুমারনা কম্মিসন অসিগী লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিস্নর ২ ইন্থোক্তুনা থম্লগা মহাক্কী অপাম্বগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা ইলেক্তোরেল রোল রিভিজন তৌবগী পায়খৎলি।

ইন্দিয়া হায়বা অসি লোগী মখাদা ফঙ্কসন তৌবা লৈবাক অমনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর ৩ লৈ। মরুওইবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌবা হায়বসি কম্মিস্নর অহুম্মক্লা অমত্তা ওইনা য়ানবা অমা মথৌ তাই। অদুবু জ্ঞানেশ কুমারনা কম্মিস্নর অনীবু ইন্থোক্তুনা থম্লগা মহাক্কী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিদা এস আই আর পাঙথোকখিবনি। এস আই আরগী মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা ভোটর ক্রোর ১৩গী মিং লৌথোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা দিমোনিটাইজেসন তৌদুনা মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং হৌজিক্লা ভোটরশিংবু ভোটিং রাইট মৎপগী থৌওং নৌনা চথদুনা লৈরি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী ওইনা ভোট থাদবা য়াবগী রাইট অসি সিটিজেনশিংগী খ্বায়দগী মরুওইবা অচৌবা রাইট অমনি। মরম অদুনা ভোট থাদবগী রাইট অসি মীয়ামদগী লৌথোকখ্রবদা করি করম্বা হেন্না মরুওইবা ইসু অমা লৈবাক অসিদা থেংনরিবগে হায়নসু সচিন পাইলোটনা মখা তানা হংলক্লি।

# চান্দিগরঃলোকেল পোলিটিসিয়ানশিংদা খূৎ থাবগী থৌওং হেনগৎলক্লি, হান্নগী সর্পন্স ১সু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

লুদিয়ানা, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
মশাগী চহী ৫৫ শুরবা হান্নগী সর্পন্স ওইরম্বা মীওই অমা লুদিয়ানাদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ১০ কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

চান্দিগরদা লৈবা লোকেল পোলিটিসিয়ানশিংদা লেপ্তনা খূৎ থাবগী থবক হেনগৎলকপা থেংনরিঙৈ চৈরক অসিদা হান্নগী সার্পন ওইনা মীয়ামগী থবক তৌরম্বা মীওই অসিসু শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবগী থৌদোক অসিনা এ এ পিনা লুচিংবা পঞ্জাব লৈঙাক্কী মথক্তা লেপ্তুনা ৱাহং কয়া হংনরক্লি। এ এ পিনা লুচিংবা পঞ্জাব লৈঙাক অসিনা গেঙষ্টারশিংগী মথক্তা দ্রাইব চথবগী মহুত্তা অতন্নবা মীহাৎ-মীপুন থোক্লবা শীল্লব্রা হায়বা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা লেপ্তুনা হংনরক্লি।



পনবা য়াবদি, শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা হান্নগী সর্পন্স অদু নবতেজ সিংহ এলাইজ নিতু কৌই। মনেৱাল খুঙ্গংগী হান্নগী সার্পন্স ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমনি। নবতেজ সিংহনা লুদিয়ানাগী লনধোৱাল এরিয়াগী মনুং চনবা সাউথ সিটি রোদতা কার তোংদুনা চৎলিঙৈ শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি হায়রি।

### সনা-সুদোকু-১০৯৮গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 9 | 6 | 5 | 8 | 7 | 3 | 4 |
| 3 | 7 | 8 | 2 | 9 | 4 | 1 | 5 | 6 |
| 7 | 1 | 2 | 9 | 6 | 5 | 4 | 8 | 3 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 8 | 1 | 2 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 6 | 1 | 5 |
| 2 | 3 | 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 8 | 9 | 1 | 5 | 7 | 6 | 3 | 4 | 2 |
| 4 | 5 | 7 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 | 8 |

# গান্ধী ১দি গান্ধীশিংগগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ হায়না বি জে পিনা কোংগ্রেসতা এটেক টৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সি):
কোংগ্রেস পার্টিনা অরাধনা মিশ্রা অমদি ইমরান মাসুদপু উত্তর প্রদেশকী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অমসুং ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা নৌনা হাপখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বি জে পিনা গান্ধী অমদি গান্ধীশিংগগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ হায়না কোংগ্রেস পার্টিদা এটেক তৌখ্রে।






পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন সুদানসু ত্রিবেদিনা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎ হায়বদি হৌখিবা ওক্তোবর ২দা কোংগ্রেস পার্টিনা উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা অরাধনা মিশ্রা অমসুং ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা ইমরান মাসুদবু নৌনা এপোইন্ট তৌখ্রে। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা খঙগদবদি মহাত্মা গান্ধী অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী লৈরিবা গান্ধীশিংগগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ। মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিত্তা উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমদি ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এ আই সি সি না এপোইন্ট তৌদুনা উত্তর প্রদেশ মীয়ামগী পূক্নিংবু হুমদুনা পুনবা হোৎনরিবা থৌওং অসি করিসু কান্নবা লৈরোই।

ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা নৌনা হাপখ্রবা মাসুদ অসি নরেন্দ্র মোদিবু মতুপ মতুপ কক্তুনা হাৎকদবনি অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখ্রবা মিশ্রানা কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্কৰশিংনা ভারত মাতাগী জয় হায়না স্লোগান লাওবদা অথিংবা পীদুনা কোংগ্রেস জিন্দাবাদ হায়না নমদুনা লাওহনখিবগী থৌওং চত্থিবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইরান অমদি য়ু এসকী লানঃ ৱেষ্ট এসিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মিলিটরিনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়না ইরাননা য়ু এসতা খঙহনখ্রে

তেহরান, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
ইস্লামিক রিপব্লিকতা থোক্লিবা ইরাং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানা মিলিটরি শীজিন্নদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনরিবা অসি কৈদৌঙৈদা মায় পাকপা ঙম্লোই। ইরাং অসি ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা মতম খক্তদা লোয়শিনবা ঙমগনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অবাস অরাকসিনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৮দগী হৌদুনা য়ু এস না ইরানগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথদুনা ঙসি ফাওবা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা ইকোনোমিগী লমদা য়াম্না চাউনা চৈথেং পীরি।

য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী কৈথেলদা খ্বায়দগী চাউনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুথোক পুশিন তৌদুনা য়ৌহল্লিবা মরুওইবা ললোন–ইতিক্কী ঈশিং লম্বী অমা ওইরিবা ষ্টেট ওফ হোরমুজ থিংজিন্দুনা থমখিবা অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী কৈথেলদা মরুওইনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক ৱাংখৎখ্রে। য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিনা ইকোনোমিগী লমদা চাউনা চৈথেং পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অবাস অরাকসিনা হায়, য়েক্লবা লৈবাক্না করিগুম্বা মখা তানা মখোয়গী মথক্তা মিলিটরিগী ওইবা অকনবা ওপরেসন চত্থরক্লবদি মখোয়গী মায়কৈদগী হান্নদগী হেন্না অকনবা মওংদা খূৎ হন্দুনা ইরানবু ঙাক শেন্দুনা থমগনি।

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসি মিলিটরিনা হীরম অমত্তদা সোলুসন পুরকপা ঙম্লোই। অসিদা নত্তনা ইরানগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা নৌনা সেঙ্কসন কয়া থমজিনবনা লান অসি লোয়শিনগনি হায়না য়েক্লবা লৈবাক্না খল্লিবা ৱাখল্লোন অদুসু মায় পাকপা ঙম্লোই। অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা হায়বা হীরমদা য়ূম্ফম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরবা মতম খক্তদা য়ু এস অমদি ইরানগী লান অসি লোয়শিন্দুনা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ফেব্রৱারি ২৮দগী হৌদুনা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্নরিবা লান অসি লোয়শিন্নবগী পান্দমদা য়ু এস অমদি ইরান লৈবাক অনীনা হৌখিবা জুন থাদা মেমেরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা য়ানখিবা লৈখ্রে। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমবু লেপ্তনা এটেক্ট চথৈ হায়না মরাল শীনদুনা ঙসিসু মখা তানা লৈবাক অনীগী মরক্তা মখা তানা মুক্নদুনা লৈরি।

মরু ওইনা মালেমগী ওইনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুথোক পুশিন তৌবগী খ্বায়দগী মরুওইবা ঈশিং লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজবু ইরান অমসুং য়ু এসনা মখোয় মখোয়গী মখাদা থমদুনা থবক তৌবগী অপাম্বা লৈ।

লান হেক হৌবা মতমদগী হৌরগা ইরাননা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজবু থিংজিন্দুনা থমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী কৈথেলদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল খম থেংনা ৱাংখৎলকখি। য়ু এসকী মায়কৈদগীসু ইরানগী মথক্তা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌদুনা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজগী অকোয়বদা লৈরিবা ইরানগী হিথাংফমশিংদা লেপ্তনা এটেক্ট চথদুনা লাক্লি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবা মায়োক্নবা ইরানগী মায়কৈদগী থৌশিল কয়া পায়খৎপা লৈরেঃপেজেস্কিয়ান

তেহরান, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
ইরানগী লৈরিবা ফাইনান্সিয়েল অমসুং কম্মর্সিয়েল নেটৱার্কশিংদা টার্গেট তৌদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানা ইকোনোমিক প্রেসর পীনবগীদমক তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অথিংবা কয়া থল্লিবা অসি মায় পাক্না মায়োক্লবা ঙম্নবা ইরানগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা অনৌবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎনবা ৱারেপ লৌবা লৈরে হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট মসৌদ পেজেস্কিয়াননা ফোঙদোকখ্রে।



প্রসিদেন্ট পেজেস্কিয়াননা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ইকোনোমিগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা থল্লিবা অথিংবশিং অসি মায় পাক্না মায়োক্লবা ঙম্নবা ইরান লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অনৌবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎনবা ৱারেপ লৌবা লৈরে। য়েক্লবা লৈবাক্কী মায়কৈদগী হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরানগী লৈরিবা মীয়ামগী মথক্তা প্রেসর পীনবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া লেপ্তনা পায়খৎলক্লি। য়েক্লবা লৈবাক্কী থৌইনশিন্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী ফিভম অদুক্কী মতিক অৱাবা নংলে। অদুবু মপুগী থৌজালনা মরম ওইরগা ঙসিদি মীয়ামগা লোয়ননা ইরান লৈঙাক্না য়েক্লবগী খোঙথাং অসিবু মায় পাক্না থেংনবা ঙম্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং কয়া পায়খৎনবগী ৱারেপ কয়া লৌরে। য়েক্লবা লৈবাক্কী মায়কৈদগী ইরানগী মথক্তা ইকোনোমিগী ৱার চত্থরক্লিবা অসি কৈদৌঙৈদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়নসু ইরানগী প্রসিদেন্ট মসৌদ পেজেস্কিয়াননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এসকী মায়কৈদগী রশিয়া ১দি য়ুক্রেনগী মরক্তা ৱারী শানবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈরে



কিয়িব, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
চহী মরিমখায় চূপ্না রশিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্নরিবা লান অসি ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবগীদমক চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা য়ু এসকী মায়কৈদগী রশিয়া অমদি য়ুক্রেনগা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈরে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমর জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, অমেরিকাগী মায়কৈদগী য়ুক্রেন অমসুং রশিয়াগা ৱারী শানদুনা লাক্লিবা থা অসিগী অরোইবা চয়োল ফাওবদা নাকল অহুমগী ওইনা টেক্নিকেলগী ওইবা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈরে।

য়ু এসকী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা য়ুক্রেনগী মায়কৈদগীদি অয়াবা পীখিবসু লৈখ্রে হায়না জেলেন্সকিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩দা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকপা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী ৮১শুবা সেসনদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা য়ুক্রেন অমদি রশিয়াগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মতেং চঙই হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

অমরোমদা, য়ু এসকী মায়কৈদগী নাকল অহুমগী মরক্তা ৱারী শাননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা করম্বা মফমদা পাঙথোক্কনি হায়বগী মতাংদা হীরম অমত্তদা খঙহল্লকপা লৈত্রবসু ইমিরেট নৎত্রগা অমেরিকানা হায়রকপা মফম অমত্তদা ৱারী শানবগী থবক পায়খৎপা য়াগনি হায়না জেলেন্সকিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অনী লৈখিদ্রে

ভিয়েনা, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
জোর্জিয়াগী ভিয়েনাদা ব্লোক পার্টি চত্থরিঙৈ নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অনী লৈখিদ্রে, মীওই ৩৬ লোমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু হৌখিবা থাংজ অমদি ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা থোকখিবনি। জোর্জিয়া ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না ভিয়েনাগী লৈরক খুল্লকশিংদা নুমিৎ খূদিংগী দুলি কাউন্টি সেরিদকী ওফিসিয়েলশিংনা পেট্রোলিং চত্তুনা লাকখিবা অদু মখা চত্থরকপা ওইনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদা পেট্রোলিং চৎলিঙৈ অয়ুক্কী পূং ১.২৫ রোম তাবা মতমদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদগী খূদক্তা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনবগী থবক চত্থবদা নোংমৈনা পান্দুনা মীওই ২ থৱায় য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংদুনা লৈরমখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অদু করি ৱাহৌদগী থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুগা নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা মথৌ তাবা অনা লায়েংগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়ার পাৱর লৈবা মালেমগী লৈবাকশিংগী লীদরশিংগা অফবা মরী থম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে

ওহিও, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটর কিম জোং উনগা অফবা মরী লৈ হায়না ফোঙদোক্লদুনা ন্যুক্লিয়ার পাৱর পায়বা লৈবাকশিংগী লৈরিবা লুচিংবশিংগা অফবা মরী থম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ওহিয়োদা পাঙথোকপা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেম্পেন অমদা শরুক য়ারদুনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কেম্পেন রেল্লি অদুদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী লৈরিবা মপাঙ্গল কনবা লীদর কিম জোং উনগা মহাক্কগী মরক্তা য়াম্না ফবা মরী লৈনৈ। মালেমগী ওইনা ন্যুক্লিয়র পাৱর লৈবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লৈরিবা লুচিংবশিংগা অফবা মরী থম্নবা হায়বা অসি য়ু এসকী ওইনা য়াম্না মরু ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মপাঙ্গল কনবা ন্যুক্লিয়ার পাৱর পায়বা লৈবাকশিংগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা অসি য়ু এসকী ওইনা খ্বায়দগী লাইবক ফবনি। ১১২ ন্যুক্লিয়ার মিসাইল হায়বা ৱাফম অমা কোদ তৌরদুনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অদুবু ১১২ ন্যুক্লিয়ার মিসাইল হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা মরিক চুম্না পাউদমখিদে।

নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উনগা অফবা মরী লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ১১২ ন্যুক্লিয়ার মিসাইল হায়বা ৱাফম অসি পনখিবনি। মরম অদুনা ১১২ ন্যুক্লিয়ার মিসাইল হায়রিবা ৱাফম অসি নোর্থ কোরিয়াগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার নৎত্রগা মিসাইলগী তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল অদুগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা ওইগনি হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি, য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উনগা চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা তাঙ্কক্তা উনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

হৌখিবা চহী ২০১৮দা সিঙ্গাপুরদা অমসুং ২০১৯দা হানোইদা অমসুং চহী অদুমক্তদা পানমুনজোংদা পাঙথোকখিবা ইন্টর–কোরিয়ন বোর্দর খুঙ্গংগী থৌরমদা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উনগা উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে।

## য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়াখিবা ইরানগী দেলিগেসন য়ু এসনা তাম্থোরকখ্রে

তেহরান, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
য়ুনা ইটেদ নেসন্সকী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়াখিবা ইরানগী ওফিসিয়েল ২না শাবা দেলিগেসন টিম অমা য়ু এস থাদোক্তুনা চৎখ্রো হায়বা ৱাফম য়াদবদগী য়ু এসকী মায়কৈদগী নমদুনা হায়রিবা ইরানগী দেলিগেসন অদু তাম্থোরকখ্রে হায়রি।



মালেমগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়াখিবা ইরানগী মীওই অনীনা শাবা দেলিগেসন টিম অদু খুদক্তা য়ু এস থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রবসু মখা তানা ন্যুয়োর্কতা লৈথদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী য়ু এস কী মায়কৈদগী হায়রিবা ইরানগী দেলিগেসন টিম অদু নমদুনা তাম্থোকখিবনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ন্যুয়োর্কতা পাঙথোকখিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি অদুদা ইরানগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা ফোরেন মিনিষ্টর অবাস অরাকসিনা লুচিংবা ইরানগী দেলিগেসন টিম অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এস থাদোক্লবা খঙহনখি। অদুবু ন্যুয়োর্কতা মখা তানা লৈরম্বা থেংনবদগী য়ু এস লৈঙাক্না নমদুনা ইরানগী দেলিগেসন টিম অদু তাম্থোরকখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা তোঙান রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইরানগী মীওই অনীনা শাবা দেলিগেসন টিম অদুগী মীওই অমদি হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা য়ু এস থাদোক্তুনা চৎখ্রে অদুগা লৈহৌরিবা অতোপ্পা ইরানগী ওফিসিয়েল অদুনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা য়ু এস থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি ন্যুয়োর্কতা থাদোকখিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা য়ু এস অমদি ইরানগী ওফিসিয়েলশিং মাঙজৌননা উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈ হায়নসু তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সি কয়ানা রিপোর্ট তৌনরকখিবসু লৈখ্রে।

## য়ুক্রেনদা লৈবা ইন্দিয়াগী ফার্মা প্লান্ট অমদা রশিয়ানা দ্রোন এটেক্ট চত্থরকপদা মীওই অমা লৈখিদ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে

কিয়েব, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
য়ুক্রেনদা লৈবা ইন্দিয়াগী কুসুম গ্রুপকী অচৌবা ফার্মা প্লান্ট অমদা রশিয়ানা দ্রোন এটেক্ট চত্থরকপদা মীওই ১ লৈখিদ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে।



রশিয়ানা দ্রোন এটেক্ট চত্থরকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী কুসুম গ্রুপনা চলাইবা অচৌবা ফার্মা প্লান্ট অদুগী অয়াম্বা ষ্ট্রকচরগী শরুকশিং চাউনা অমাঙঅতা থোকহনবদা নত্তনা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপন নংবগী চাং লেপ্তনা হেনগৎলকখিবা য়ারি হায়নসু য়ুক্রেন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা থাদোক্লরকখিবা ভিদিও ফুটেজশিংদা রশিয়াগী দ্রোন এটেক্ট অদুনা মরম ওইরগা ফার্মা প্লান্ট অদুগী চাউরবা ষ্ট্রক্টচরশিং অদু চাউনা অকায় অতোয় নংবগা লোয়ননা মৈখু কাবগী মমি কয়া উবা ফংনখি।

পনবা য়াবদি কুসুম গ্রুপনা হৌখিবা চহী ১৯৯৪দগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অনা লায়েংদা মথৌ তাবা হীদাক লাংথকশিং য়ুক্রেনদা দিষ্ট্রিব্যুটর ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা য়ুক্রেনদা থবক তৌরিবা ফার্মা প্লান্ট অসি ইন্দিয়াদগী রজিব গুপ্তা কৌবা মীওই অমগী মখাদা থবক তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০০২দা অনা লায়েংগী হীদাক দিষ্ট্রিব্যুটর ওইবগী থবক লেপ্তুনা কুসুম গ্রুপকী বেনরগী মখাদা হীদাক লাংথক নৌনা পুথোকপগী থবক হৌবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী কৈথেলদা মার্কেটিং তৌবগী থবক চত্থদুনা লাকখিবনি।

অসিদা নত্তনা হৌখিবা চহী ২০০৭দা কুসুম গ্রুপনা ইন্দিয়াদা মেদিসিন মেনুফেক্চরিং তৌবগী প্লান্ট অমা নৌনা হাংদোকপগী মথক্তা ২০০৯দা য়ুক্রেনগী সুমিদসু মখা তানা মেদিসিন কয়া মেন্যুফেক্চরিং তৌদুনা মার্কেটিং তৌবগী থবক ঙসি ফাওবা চত্থদুনা লাকখিবা অচৌবা ফার্মা প্লান্ট অমনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## জপানগী ওকিনৱাদা নুপী অমা হাৎপগী মরালদা য়ু এসকী মেরিন ১ পুলিসনা ফাখ্রে

তোকিও, ওক্তোবর ০৪ (এজেন্সি):
জপানগী ওকিনৱাদা য়ু এসকী মেরিন অমা হুরানবা অমসুং নুপী অমা হাৎপগী মরালদা লৈবাক অদুগী পুলিসনা ফাখ্রে।

হুরানবদা নত্তনা নুপী হাৎপগী মরালদা য়ু এসকী মেরিন পুলিসনা ফাখিবা অদুনা মরম ওইরগা জপানদা য়াম্না চাউনা ইরাং হৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে হায়রি।

জপানগী পুলিসকী মতুং ইন্না নুপী হাৎপগী মরালদা ফারবা য়ু এসকী মেরিন অদু হৌজিক হৌজিক ফুটেনমা এয়র ষ্টেসনদা থবক তৌদুনা লৈবা য়ু এসকী মেরিন অমনি। ওকিনৱাগী হোটেল নাহাদা মশাগী চহী ৩৯শুরবা নুপী অমদগী ৱালেট হুরাল্লবা মতুং হাত্তুনা থল্লম্বগী কেসতা চেন্নদুনা ফাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

জপানদা বেজ তৌবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না কেস অসিগী মতাংদা হোটেল অদুগী কেমেরা ফুটেজশিং লৌখত্তুনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা য়ু এসকী মেরিন ওফিসিয়েল অদুনা হোটেল অদুগী কাদা চঙদুনা নুপী অদুবু হাৎখিবগী ফুটেজ কয়া উবসু ফংলে হায়না মখা তারক্লি।

### ক্রোসৱার্ড ১১৬১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | L | A | G | ■ | U | R | B | A | N | ■ | D | A | M | E |
| L | U | L | U | ■ | N | O | O | N | E | ■ | A | M | E | X |
| A | S | K | S | ■ | E | V | E | N | T | ■ | D | O | T | E |
| W | H | A | T | E | V | E | R | I | T | T | A | K | E | S |
| ■ | ■ | ■ | A | Y | E | ■ | ■ | E | E | R | ■ | ■ | ■ | ■ |
| S | C | A | V | E | N | G | E | ■ | D | U | M | B | O | S |
| C | A | R | ■ | ■ | L | O | U | T | ■ | R | E | E | V | E |
| O | N | E | W | A | Y | O | R | A | N | O | T | H | E | R |
| T | O | T | A | L | ■ | F | O | R | E | ■ | ■ | A | R | F |
| S | E | E | S | A | W | ■ | S | E | X | T | A | N | T | S |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | A | C | ■ | ■ | T | A | R | ■ | ■ | ■ |
| B | Y | H | O | O | K | O | R | B | Y | C | R | O | O | K |
| L | O | U | D | ■ | E | N | U | R | E | ■ | E | L | M | O |
| A | R | G | O | ■ | N | A | D | I | A | ■ | S | E | E | N |
| B | E | E | R | ■ | S | N | E | E | R | ■ | T | O | N | G |


69 SUBA IRENGBAM CHAOREN MAPOK NUMIT NINGSHING THOURAM

**Irengbam Chaoren Memorial Essay Writing Competition – 2026**

"IMPORTANCE OF NATIONALISM IN CONTEMPORARY MANIPUR"

(Houjikki Manipurda Nationalismgi Maruoiba)

18 October 2026, Sunday

Category – A: Class VII-X: Imphal College

Category – B: Class X-Graduation: Ratankumar Memorial School

Last Date of Form Submission: 16 October 2026

Form Fee: ₹100; No Fee for Internally Displaced Persons (IDPs)

Forms Available At: Manipuri Students' Federation, Head Office, Kwakeithel Thounaojam Leikai

Prizes (for both Category A & B)

| 1st Position | 2nd Position | 3rd Position | 7 Consolations |
|---|---|---|---|
| Rs. 20,000 + Certificate | Rs. 15,000 + Certificate | Rs. 10,000 + Certificate | Rs. 3,000 + Certificate |

**Prize Distribution: 2 November 2026, Monday**

For further details, contact: ***9366694067/7085935098/7005318926***

Sd/-
Secretary
Irengbam Chaoren Memorial Trust (ICMT)

# মিজুহো পার্ক এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা নীংথিরবা মিনিট ৯০গী সেরিমোনি অমগা লোয়ননা এসিয়ান গেমস লোয়শিনখ্রে



নগোয়া, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
জপানগী মিজুহো এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মিনিট ৯০ রোমগী নীংথিজরবা থৌরম অগা লোয়ননা আইচি–নাগোয়া এসিয়ান গেমস ২০২৬ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা মেদল ৮৫ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈখি। চাইনানা মকোক্তা, য়ুম্থু জপানননা অনীশুবা অদুগা সাউঠ কোরিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা মেদলশিংদি গোল্ড ২১, সিলভর ২৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩৭ লৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি ২০২২দা পাঙথোকখিবা হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ১০৭ লৌবা ঙমখিবনি।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সুটর নীরু ধন্দানা লুচিংবা ইন্দিয়াগী এঠলেট ৩০ অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াবা টিমনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পুদুনা এঠলেট পেরেদ অদুদা শরুক য়াখি।

ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়ানা গেমস অসিদা ফ্লেগ অদু দোহাদা খুৎশিন্নদুনা ২০৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা এসিয়ান গেমসকী মফম ক্বাটারদা পাঙথোক্লবগী থৌদাং শীন্নখি।

লৈবাক ৪৫দগী লাকপা এঠলেট ১৫০০০ রোম হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা অনৌবা ৱাৰ্ল্ড রেকোর্দ কয়াসু থম্বা ঙম্মখি।

ওলেম্পিক কাউশিন্সল ওফ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট শৈখ জোআন বিন হামদ অল থানিনা গেমস অদু ওফিসিয়েল ওইনা ক্লোজ তৌরে হায়না লাউথোক্লবা মতুং ও এ সি টোর্চ অমসুং ফ্লেগ অদু ক্বার্টরগী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ মোহমদ বিন অবদুলরাহমন অল থানিদা শীন্নখি। মতুংদা ওলেম্পিক, ৱাৰ্ল্ড অমসুং এসিয়ান হায়জম চেম্পিয়ন মুতাজ ইসা বারসিমদা ফোর্মেল ওইনা খুৎশিন্নখি।

ক্বার্টরগী রাইদর জাসিম অল কুৱারিনা শগোল অমা তোংদুনা চঙলক্লগা ফ্লেগ অদু লৌরগা অমুক যৌদোকখি। অসুম্না এসিয়ান গেমসকী মথংগী ইদিসন দোহাদা ২০৩০দা পাঙথোকপগী থবক হৌহনখি।

ঙসি নুমিদাং ঐখোয়না আইচি নাগোয়াদা ২০২৬কী ফ্লেগ অসি চিংথরে, ঐখোয়না গেমস অসি লোয়শিল্লে অদুবু ঐখোয়না এসিয়ান গেমসকী বার অসিদি ৱাংখৎলক্লি। মৈরা অসিদি মুৎখ্রে অদুবু ঐখোয়গী অশাগী মৈরিদি ঐখোয়গী মহাদেশ অসিদা চাক্লুনা লৈখিগনি হায়না হমদ আল থানিনা হায়খি।

# জুনিয়র নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী নুপা, নুপী আর্চরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
রজস্থানগী রাইপুরদা থা অসিগী ২১দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৬শুবা এন টি পি সি জুনিয়র (ইনিদয়ন রাউন্দ, কম্পাউন্দ অমসুং রিকভ) নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ফোর মেন এন্দ ৱুমেন ২০২৬তা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী নুপা অমসুং নুপী আর্চরশিংগী মিং ঙসি মণিপুর আর্চর এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অসি মমাঙ থা ২৫দগী ২৭ ফাওবা আর সি সি গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ৩৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপতা পীখিবা মখোয়গী পার্ফোমেন্সতগা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেটকী আর্চরশিং অসি খনখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইন্দিয়ান রাউন্দদা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী নুপা শান্নরোইশিং অদুদি কে এম এ সিদগী য়ুম্নাম জেক্সন অমসুং মোইরাংথেম বিকাস, এল এম এল সি সিদগী ঐচ হেমজিৎ অমসুং য়ু ৱাই এস সিদগী ঐচ রুপাচন্দ্র সিংহনি।

নুপী শান্নরোইশিং অদুদি এ এ সিদগী ঐচ রোশিনা দেবী অমসুং এন লিম্থোইসনা, কে এম এ সিদগী তোঙ্গম কেলভিনা অমসুং বি এ এদগী সুপ্রিনা থোকচোমনি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী কোচনা কোন্সম দেভানন্দ সিংহনা ওইরি।

কম্পাউন্দদা শরুক য়ারিবা ষ্টেটকী নুপা শান্নরোইশিং অদুদি সাই আর সিগী হুইদ্রোম বিকেন, এ এ এগী কে পুনন্দ শর্ম্মা, য়ু এ সিগী মৈকাম রোবিন্সন অমসুং এ এ এফ সিগী লানঙম্বা মুতুমনি। টিম অসিগী কোচনা কেএসঐচ নিকোন মঙাংনি।

নুপী আর্চরশিং অদুনা বি এ এদগী শগোলশেম ষ্টেলিনা চনু অমসুং সেনয়াই লোংজম, এন এস য়ুদগী টিঐচ গ্রেসিয়া অমদি সাই আর সিদগী লোংজম ত্রিঙ্গলনি। নুপী টিমগী কোচনা মুতুম রুপননি।

নুপাগী রিকভতা য়াওরিবশিং অদুদি এ এম এল এস সিগী পাইখোম্বা চোংথাম, সাই আর সিগী এল য়ুহেনবা মৈতৈ অমসুং কে রোহিট মৈতৈ অমদি এফ এ সিদগী কেঐচ তোম মৈতৈনি।

নুপীগী রিকভ টিমদনা বি এ এদগী জেনিফর পাওনম, ই এস য়ুদগী ৱাই সনামানবী চনু, সাই আর সিদগী য়াইখোম্বী থোঙাম অমসুং এস মেলোদি দেবীনি।

টিম অসিগী কোচনা বি গুনিচা দেবীনা শরুক য়ারি।

রিকভ অমদি কম্পাউন্দগী খল্লবা নুপা অমসুং নুপী আর্চরশিংনা থা অসিগী থা অসিগী ১৯গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা অমদি ইন্দিয়ান রাউন্দগী খল্লবা নুপা অমসুং নুপী আর্চরশিংনা নুমিৎ অসিমক্তদা লাংমৈদোংদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী এ সোনাচান্দ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# দিষ্ট্রিক্ট লীগ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এফ এ) থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এনুয়েল লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নরোইশিংগী রেজিষ্টার থা অসিগী ১৮গী মমাঙদা তৌগদবনি, মেনেজর মীটিংনা দি এফ এ ওফিসতা থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্কপগা লোয়ননা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী শান্নরোইশিং সি আর এস অমদি সি এম এসতা শুংশোয় শোয়দনা তৌগদবনি।

সি আর এস অমসুং সি এম এস তৌদবশিং টুর্নামেন্ট য়াওবগী খুদোং চাবা পীরোই হায়না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল কুলাধাজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# নুপীমচাশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
**খেলো ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্টগী মখাদা মখাদা ২৩২শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এনা শীন্দুনা কাংপোকপীগী মোটবুংদা থা অসিগী ৮দগী ১০ ফাওবা প্রিসিদেন্সি কোলেজকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা নুপীশিংতগী ওইবা অন্দর–১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।**

**প্লে ফোর ফিটনেস, প্লের ফোর পিছ, অমসুং প্লে ফোর বেট্টর সোসাইটি হায়বা থিমদা শান্তি লৈবা, য়ুনিটি, দিসিপ্লিন, ফিটনেস, স্পোর্টসমেনসিপ অমদি সোসিয়েল হারমোনিগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০, রন্নস অপ্তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০, থার্দ প্লেসতনা লুপা লিশিং ১০, বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টদা, বেষ্ট গোলকিপর, বেষ্ট দিফেন্দর, বেষ্ট মিদফিল্ডর অমদি তোপ স্কোররদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩। ৩গী মনাশিং থল্লি।**

# পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদমিগী এনুয়েল স্কুল ৱীক হৌখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদমি থৌবাল হাওখানা মহৈরোইশিংগী এক্সত্রা করিকুলম এক্টিভিটিশিংনা প্রমোট তৌনবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তনা লাকপা এনুয়েল স্কুল ৱীক ২০২৬ কম ২২শুবা এনুয়েল পেরেন্ত মীট ঙসিদগী পি এ এফ এ থৌবালগী থোঙাম চাওবা সিংহ মেমোরিয়েল হোলদা হৌখ্রে।

নুমিৎ ৯নি চুপ্পা চথুগদবা ৱিং ওফ সক্সেস হায়বা থিমদা চথুগদৌরিবা থৌরম অদুদা নৈলিট ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ ডাইরেক্টর য়ুম্নাম জয়েন্ত, একাদমি অসিগী প্রিন্সিপাল সলাম জোতিন অমদি এস এস কিয়র সোলুসনগী মেনেজিং ডাইরেক্টর এন্দ সেনিয়র কউন্সিল্লর শঞ্জেম্বম সিলোমি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মহৈরোইশিংগী কলচরেল সো নচিংবা এক্টিভিটিস কয়া উৎলদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈন্না নৈলিটকী এগজিক্যুটিভ ডাইরেক্টর য়ুম্নাম জয়েন্তনা হায়, হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোই খুদিংনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা মখোয়না হৈগদবা অনৌবা টেক্নোলোজি অমা নত্রগা অমা তম্বা য়াম্না তঙায়ফদে। মসিনা মখোয়গী মখা তাবা একাদমিক কেরিয়রদা য়াম্না খুদোংচাগনি।

ঙসিগী অঙাংশিংনা মোবাইলদা হেন্না লাইচুরবা অসি পেরেন্তশিংনা য়েংশিনবিবা তঙাইফদে। মখোয়না মোবাইলদা পুং অমা গেম শান্নবদি ফিজিকেল এক্সরসাইজসু পুং অমা শান্নহনগদবনি। মোবাইল খক্তদা লাইচুহনখিদনবা হোৎনশি হায়না অপিল তৌখি।

# মেনেজর মীটিংদা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০২৬–২৭দা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজরশিংনা থা অসিগী ১১ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেনেজর মীটিদা শরুক য়ারনবা এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মেনেজর মীটিংদা য়াওহৌদবশিংনা টিমশিংনা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরোই। লোয়ননা মরী লৈনবা টিমশিংগী মেনেজরশিংনা রিনুয়েল ফী অমদি ইন্ত্রি ফী থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা থিদোক্লবা খঙহল্লক্লি।

টিমগী রিন্যুয়েল ফী অমসুং ইন্ত্রি ফীনা লুপা লিশিং ৫ / ৫ ওইগনি হায়রি।

## মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬:

# সোং সোং অমসুং পুদুনামৈনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা এ এফ এ টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্লগা চথরিবা মাও ষ্টুদেন্টস মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬গী ফাইনেলদা সোং সোং অমসুং পুদুনামৈনা থা অসিগী ৬তা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা সোং সোং এফ সিনা তোবুমাই এফ সিবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল ত্মা পুশিনখি।



মায় পাক্লবা সোং সোং এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ কাইসিফিমুনা অহানবা হাফ্কী অঙনবা মিনিট ১১শুবদা অমদি জর্সি নম্বর ১১ অদাজিওনা ৪৫ প্লস ২ শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ১৮ ইভুহরিনা অনীশুবা হাফ্কী ৭০শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সোং সোং এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪ সুহরাখো অমদি জর্সি নম্বর ১৬ রুয়িও অমদি তোবুমাইগী জর্সি নম্বর ২ মরিজিওদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা পুদুনামৈনা গোল হনে দাক্লগা চোৱাইনু এফ সিবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী চঙখি।

মায় পাক্লবা পুদুনামৈগী গোলশিং অদু অহানবা হাফ্তা জর্সি নম্বর ৯ অদাহরিনা মেটচকী ৩৮শুবা অমসুং ৪৫শুবা মিটিতা গোল অনী অমদি অতোপ্পা গোল অদুনা চোৱাইনুগী জর্সি নম্বর ১৪ অরিওনা মেটচকী ২৪শুবা মিনিটতা আউন গোল ওইনা চঞ্জখি।

মায়থিরবা চোৱাইনুগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৮ খোজিখোনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১৬ অথিওনা মেটচকী ৪১শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পুদুনামৈগী র্সি নম্বর ২০ অশুজিও অমদি চোৱাইনুগী জর্সি নম্বর ১০ চোরো অমসুং ইফরিওদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# এ কে এস দি ও খাঙবোক্কী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
ওল খাঙবোক স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট এসোসিয়েসন (এ কে এস দি ও) খাঙপোক রন বাই কে দি এ এস য়ু খাঙবোক লিংখৎখিবগী ৬শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমগা লোয়ননা প্লেয়র অমদি কোচশিংগী ওকপগী থৌমর পাঙথোকখ্রে।

খাঙবোক পার্ট–২ লাইলম থোকফম কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুট এন্দ স্পোর্টস ওফিসার থৌবাল দেবেন মোইরাংথেম, এ কে এস দি ও ক্রিকেট মেনেজিং কম্মীটিগী চিয়ারমেন মোইরাংথেম ধিরেন মীতৈ, পি ৱাই দি সি খাঙবোক্কী প্রসিদেন্ট এলাংবম রধাকান্ত, লৈপাৎ সিটিজেন ক্লব খাঙবোক্কী সেক্রেটরী ডা. খুন্দ্রাকপম হেরোজিৎ অমদি এ কে এস দি ওগী প্রসিদেন্ট থোকচোম কিরন মীতৈনা চীংনবা মীওইশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরম অদুগা মরী লৈন্না দি ৱাই এস ও থৌবাল মোইরাংথেম দেবেননা হায়, লমদম অমা মালেম পৃথিবিদা শক তাকপদা স্পোর্টনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মহাক মশামকসু জুদোগী কোচ অমা ওইনা লৈরক্কুনা শান্নরোই কয়া তাকপি তম্বীখিবদা চাউথোকচবা ফাওই। এ কে এস দি ওনা ক্রিকেট মশান্নদা শান্নরোই কয়া অমা পুথোকপা ঙমদুনা নেসনেল লেভেল য়ৌরে হায়বা তাবদা অপেনবা পোকই অমদি দি ৱাই এস ওগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

এ কে এস দি ওগী প্রসিদেন্ট থোকচোম কিরন মীতৈনা কোচশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা শান্নরোইশিংবু অঙম্বা থাকতা হোৎনবিদুনা ইন্টরনেসনেল লেভেল য়ৌনবা চৎপদা পূন্না হোৎনমিনশি হায়রদুনা পেরেন্তশিংনসু সপ্পোর্ট তৌবিনবা অপিলসু তৌখি।

পনবা য়াই, এ কে এস দি ও খাঙবোক্তা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম এন সি এ)না বেষ্ট ক্লব ওফ দি ইয়র ২০২৫–২৬ এৱার্দ পীরকখিবনি। ৪শুবা এম এন সি এ মেন'স অন্দর–১৯ ৱান দে ট্রোফি ২০২৫–২৬, ৩শুবা এম এন সি এ অন্দ–১৫ ৱান দে ট্রোফি ২০২৫–২৬তা চেম্পিয়ন অমদি অহানবা এম এন সি এ ৱুমেন অন্দর–১৯ টি ২০ ট্রোফি ২০২৫–২৬তা রন্নরস অপকী মনা লৌরকপসু ঙমখি।

# দাউন রন হায়না মিংথোনবা মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা সর্দা পতেলগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরমগা মরী লৈন্না তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অনী হায়বদি কিলোমিটর ১৩গী অমসুং কিলোমিটর ৭ কী দাউন রন অদু মীওই লিশিং ২ রোম্না শরুক য়াদুনা ককচিং দি সি রোদতগী ককচিংগী এসপি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমনা লমথাখি।



কিলোমিটর ১৩গী রন অদুনা এস পি ওফিসতগী লমথারগা সোরা ফাওবা চেল্লুরবা মতুং লমথাফমদা অমুক লমথুংফম ওইখি। কিলোমিটর ৭গী রন অদুনা ককচিং লমদোংগী এন আর এল ওইল্ড পম্প ফাওবা চেনখি।

মরাথোন অদুদা কিলোমিটর ১৩গী কেটাগোরিগী নুপাগী মুইনাওনা অহানবা, য়ুম্নাম পূন্সিবানা অনীশুবা অমদি মুতুম মুক্তানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপীগী কাঙলুপ্তা তায়েঞ্জম রুসিয়ানা চনুনা অহানবা, তোংব্রম সোফিয়া চনুনা অনীশুবা অমদি ষ্টাভেনিয়া য়ুম্নামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কিলোমিটর ৭গী রন অদুদানা এমদি ইর্ফাননা অহানবা, মোইরেঞ্জম তরুনা অনীশুবা অমদি এমদি অবিট খাননা অহুমশুবা তাখি। এস পি ককচিং প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমনা লুচিংবা ককচিং পুলিসকী ওফিসারশিংগা মকোক মথং তাখ্রবা লমজেল্লোইশিংদা শেলগী মনাগা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেটশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এসপি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমনা হায়, ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা অমদি ফিট ওইনা লৈনবা মেসেজ পীবগী ৱাখল্লোনদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১৫০শুবা সর্দা পতেলগী মপোক পাল্লনগা মরী লৈন্না ঙসিগী অসিগুম্বা মরাথোন অসি পাঙথোকপনি। ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদা মরুওইনা নহাশিংদা নুংঙাইতবা নেভেটি ইলিমেন্ট কয়া অমসু লৈরি। খরা পল্লবা ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদা মরুওইনা নহাশিংদা সবষ্টেন্স এব্যুসকী নুংঙাইতবা প্রোব্লেমশিং অসি ঙাকথোকপদা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাং ফনা লৈবনা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। মরম অসিনা মসিগী প্রাইমারি ওবজেক্টিভতা মীয়ামদা পাউজেল পীনবা ঙসিগী মরাথোন অসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকচবনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি শিনবদা শেলগী অমদি ফিজিকেলগী মতেং পাংবিরকখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙকচরি হায়খি।

# এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়ান নুপা হোক্কী টিমগী শান্নরোইশিংদা লুপা লাক্ষ ১১ / ১১ পীরগনি



ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০৪, (এস এন এস)ঃ
জাপননা য়ুম্থু ওইদুনা আইচি নাগোয়াদা চথরিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা হোক্কী ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোই খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ১১ / ১১ অমদি সর্পোর্ট ষ্টাফশিংদনা লুপা লাক্ষ ৫ / ৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা হরমনপ্রিট সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা মালেসিয়াবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ২০২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক গেমসতগীসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি গেমস অসিদা গোল্ড লৌরকপা ঙমখ্রবা নুপী হোক্কী টিমদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা হোক্কী ইনিদয়ানা লুপা লাক্ষ ১০ / ১০গী মনা লাউথোকখিবনি অদুবু কোন্না শেমদোক্লবা মতুং লুপা লাক্ষ ১১ / ১১দা হেনগৎখিবনি। মসিগী মনা অসিমক ইন্দিয়াগী নুপা টিমদা চপ মান্না লুপা লাক্ষ ১১ / ১১গী রিৱার্দ অসি লাউথোকখিবনি।

হৌখিবা কুম্জা ১৯৮২দা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমদা মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা মেদলগী ইকং থোক্কুনা লাকখিবনি। অদুবু থা অসিগী ২দা শান্নখিবা এসিয়ান গেমসকী নুপীগী হোক্কী ফাইনেলদা চাইনাবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকখিবা অসিনা চহী ৪৪ ইকং থোক্কুনা লাকখিবা মেদলগী ইকং অদু কোকহনবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা থোয়দোক হেন্দাকপা পার্ফোমেন্স অসিগীদমক পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ওড়িশাগী চীফ মিনিষ্টর মোহন চরন মাজিনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী শান্নরোইশিংদা লুপা লাক্ষ ১১ / ১১ অমদি সর্পোর্ট ষ্টাফশিংদনা লুপা লাক্ষ ৫ / ৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
1ST 96.2% JEWEL NINGTHOIJAM RAMSRISNA MISSION SCHOOL
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X)-2026
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)-2026
XII ARTS
1ST 98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
1ST 98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
1ST 92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
100/100 POLITICAL SCIENCE THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
100/100 HISTORY SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN
ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR
CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026
For more details please contact: 9863055737 | 7005958928 | 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com